মীয়ামগীদমক শিন্নরকপা থৌদাংশিং পাঙথোক্কনি : মিনিষ্টর লুখোই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): লৈঙাক্লা শিন্নরকপা থবক থৌরম পূন্নমক মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা অঙম্বা থাক্তা থবক্তা ওন্থোক্কনি অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা এগ্রিকলচর, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি অমসুং টুরিজম লোইশঙশিংগী থৌদাং শীন্নরত্তুনা মীয়ামগী পুন্সিবু চাওখৎহন্নবা ঙাকলৌ পীরকপগীদমক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু থাগৎলি।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী সঞ্জেনথোংদা লৈবা এগ্রিকলচর দিরেক্টোরেটকী ফার্মরস ত্রেনিং হোলদা পাঙথোকখিবা লোইশঙ অসিনা তরাম্না ওকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দ্রি অমসুং টুরিজমগী মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়, মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কিম অমসুং প্রোজেক্টশিং অখন্নবা লৌমী ফুরুপশিংগীদমক য়েংদুনা এগ্রিকলচর লোইশঙগী এমপ্লোয়ী পূন্নমক খুৎশম্নবীয়ু অমসুং খম থেংবা থৌদাং লৌবীয়ু। পূনশিল্লগা পাঙথোকপা থবকনা মায় পাক্কনি হায়খি।

মরী লৈনবা লোইশঙ অসিগী ফিল্ড ষ্টাফ অমসুং ওফিসলশিংনা লৌমীশিংগীদমক অনৌবা ৱাখল্লোনশিং পুথোক্তুনা চৎনহনবীয়ু। লোইশঙ অসিগী ওফিসর অমসুং ওফিসলশিংবু পূক্নিং থৌগৎলদুনা মিনিষ্টরনা মায় পাক্না পাঙথোকখ্রবা স্কিম/প্রোজেক্টশিংগী ফীদবেক অমসুং সজেসনশিংগা লোয়ননা চোঙথোকপীরকউ হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লোইশঙ অসিগী স্কিম অয়াম্বা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমশিংনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা য়ুটিলাইজেসন সর্টিফিকেট (য়ু সী) মতম চানা সবমিট তৌদুনা লৌমীশিংদা পীগদবা অতোপ্পা স্কিমশিং থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনরকপদা থিন্থহল্লোইদবনি। লোইশঙ অসিগী থবক থৌরমশিং এগ্রিকলচরেল সেক্টরদা মীৎয়েং থমগদবনি হায়খি।

থৌরম অসিগা ইরোইননা মিনিষ্টরনা লোইশঙ অসিগী কেম্পসতা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ওফিস বিল্ডিংশিং অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী ফীভমশিংসু য়েংশিনখি। থৌরম অসিদা কম্মিস্নর (এগ্রিকলচর) এম জয় য়াওনা লোইশঙ অসিগী দিরেক্টর লালতানপুই ভানছোং, ওফিসর অমসুং ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

এম পি সী সীগী সেক্রেটরিনা শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনা লৈরিবা মণিপুরী ফিল্মগী শক্লাইরবা এক্টর অমসু কোমেদিয়ন মীয়াম্না কবোকলৈ ইনাওচা হায়রগা হেন্না খঙনরিবা থোকচোম ইবোমচাদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী সেক্রেটরি পি শরতচন্দ্রনা শেলগী মতেং পাংখ্রে।

থোকচোম ইবোমচা চহী অসিগী মার্চ থাদগী হৌরগা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা ফমুংদগী হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লৈরকখিবনি।

তেংবাংখিবা অদুগা মরী লৈননা এম পি সী সীগী সেক্রেটরি পি শরতচন্দ্রনা হায়খি, মণিপুরী ফিল্মগী শীংথানিংঙাই ওইরবা আর্টিষ্ট অসি নাদুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী ঙসি অঙন্বা শেলগী মতেং পাংজবনি। পাংজরিবা শেনফম অসি য়াম্মী য়ামদে খন্দনা আর্টিষ্ট অসিগী অনা-লায়েংদা মতেং ওইবা ওইরসনু। লোয়ননা কবোকলৈ ইনাওচাসু অথুবদা ফগৎলক্তুনা হান্নগুম মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙন্বা ওইরসনু। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম মরুওইনা হৈঙাং এ সীগীদা লৈরিবশিং অমদি লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংবু মতেং পাংবীনিংবশিংনা কবোকলৈ ইনাওচাগী মতম অসিদা অঙম-অঙন্বা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু পি শরতচন্দ্রনা আপিল তৌরক্লি।

দিসেম্বর ৮গী বন্দ শৌগৎনরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা পূনশিন্নদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পাস তৌদুনা চৎনহনখিবা লৌমী-শিন্মীশিংগী মায়োক্তা লৈবা এক্ট অহুমগী মায়োক্তা হয়েং চথুগদৌরিবা লৈবাক পূম্বগী বন্দ অসিদা শগোলবন্দ য়োংলান লৈরক মচিন্দা লৈবা রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এ) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট সাপম শামুঙৌনা থোরকপা চেরোল অমনা মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

লৌমীশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লিবা এক্টশিং অদুনা ফার্মরস প্রোদ্যুস ত্রেদ এন্দ কমর্স (প্রমোসন এন্দ ফেসিলিটেসন এক্ট, ২০২০), ফার্মরস (এম্পৱারমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন) এগ্রীমেন্ট ওফ প্রাইস এসুরেন্স এন্দ ফার্ম সর্ভিস এক্ট, ২০২০ অমসুং ইসেন্সিয়েল কম্মোদিটিজ এক্ট, ২০২০নি হায়রি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা বিল অহুম অসি পাস তৌদুনা চৎনহনখিবা থৌওং অসি লৈবাক অসিগী অনীশুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা লাল বহাদুর শাস্ত্রিবু ইকায়বা পীবনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে হায়নসু ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লৌমীশিংগী মায়োক্তা লৈবা বিল ৩ অসি খুদক্তা হন্দোক্কদবনি হায়রি।

অমরোমদা মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্টকী প্রসিদেন্ট এন নোদিয়াচান্দনা থোরকপা চেরোল অমনসু লৌমীশিংগী মায়োক্তা লৈবা বিল অহুমগী মায়োক্তা হয়েং লৈবাক শীনবা থুংনা চথুগদৌরিবা ভারত বন্দ অসিদা ফ্রন্ট অসিগী মায়কৈদগী মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

লোক-অপতগী নান্থোকখিবা মীওই থিবদা তেংবাঙখিবা মীওইশিংদা মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ভিক্টোরিয়া য়েংখোম্না থোরকপা চেরোল অমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চল্লিবা শুগ্নু পুলিস ষ্টেসন্না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা ফাবা মীওই অমা লোক-অপতগী নান্থোক্তুনা চেনখিববু ফংননবা থিবদা মতেং পাংলকখিবা ভি দি এফ পর্সনেল অমা য়াওনা মীওই ৮দা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী মায়কৈদগী মখোয়বু থাগৎপা ফোঙদোকপা ওইনা রিৱার্দকা লোয়ননা সাইটেসনশিং খুদোল তমখ্রে হায়রি।

পুলিস কষ্টদিদগী নান্থোক্তুনা চেল্লুরবা মীওই অদুগী মমিং ওইনাম ননাও (২৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা ও মায়পাক কৌই। মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ত্রোংলাওবী মমাঙ লৈকায়দগীনি। হৌখিবা থা অসিগী ৪ অমসুং ৫গী লোন্নবা অহিংদা শুগ্নু সব দিভিজন এরিয়াদগী চহী নৌরিবী নুপীমচা অমগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি হায়বা থৌদোক অমগী মতাংদা শুগ্নু পুলিস ষ্টেসননা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট, ২০১২ সেক্সন ৮গী মখাদা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ১৭ (১২) ২০২০গা মরী লৈননা মহাকপু শুগ্নু পুলিসনা ফাখিবনি।

অদুম ওইনমক থৌদোক অসিগী ভিক্টিম ওইরিবী নুপীমচা অসি খুঞ্জাশিংনা শুগ্নু পুলিস ষ্টেসন্দা এটেক তৌরকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবদগী ফারবা মীওই অসি ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসন্দা রিক্যুজিসন তৌদুনা থমখিবনি। মমাঙদসু ভিক্টিম নুপীমচা অসিবু খুলগী খুঞ্জাশিংনা এক্স্যুজ নি হায়রিবা মীওই অসিনা ফারুবা লৈখি। এক্স্যুজ অসিবু পুলিসনা ফানবা হোৎনরকপদসু এটেক তৌরকপা লৈখি। অদুম ওইনমক নুংথিলগী পুং ১.৩০ রোম তারকপদা শুগ্নু পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চাজনা ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসন্দা রিক্যুজিসন তৌদুনা থল্লক্লিবা মীওই অসিবু কেস অসিগা মরী লৈননা মখা তাবা থবকশিং চথনবগীদমক লৌখৎপা চৎলুবদা মীওই অসি লোক-অপতগী নান্থোক্তুনা চেনখিরম্বনি হায়রি।

পন্থদনা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা থিবা হুন্নগী থবক চথুরকপদা মীওই অসি টেজপুর অৱাং লৌকোলগী চন্দ্র মরক্তা লোৎতুনা লৈরম্বদগী ফাগৎপা ঙমখি হায়রি। পুলিসনা মহাকপু ফংনবা থিবদা থোংজাও অৱাং লৈকায়দগী শমজেৎশাবম নিতাইবী (৪৫) অপোকপা এস ঐচ তোম্বা, টেজপুর ময়ায় লৈকায়দগী ভি দি এফ নম্বর ০৮৯ সাপম রোমেন, লৈকায় অসিদগী সাপম ওংবী বিনাসখি (৫১) (রোমেনগী অপোকপী মমা), লৈকায় অসিদগী এক্স উপ প্রধান এলাংবম রতন মৈতৈ, সাপম রোবিন্দ্রো, চীংঙাখম তাইবঙশাৎপা, লাংমৈদোং কৈথেলদগী থোকচোম ইঙোচা এলাইজ অকাস (৩৯) অপোকপা টি ঐচ নবদিপ অমসুং লাংমৈদোং মমাঙ কৈরক পরেংদগী এলাংবম তোম্বা (৪৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা ঈ সমপ্রুনো কৌবা মীওইশিং অসিনা নান্থোকখিবা মীওই অসিগী খোঙ্গুল লীবদা মতেং পাংলকপদগী অতেনবা মতমগী মনুংদা মীওই অসিবু ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

থৌওং অসি পুলিস অমসুং পব্লিক্কী মরক্তা লৈনবা মরীগী খুদম অমা ওইবগা লোয়ননা পুলিসনা মায় পাক্না ক্রাইম অমসুং ক্রিমিনেলশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপা ঙম্মী হায়বদু তাক্লবনি হায়রি। মরম অসিনা পুলিসপু মতেং পাংবীরকখিবা মীওইশিং অসিবু তৌবীমল খঙবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোকপা ওইনা সাইটেসনগা লোয়ননা রিৱার্দ পীখ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরনা চুড়াচান্দপুরদা এম এস টি বস সর্ভিস হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) : চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিনবা অমসুং লাপ্পা লৈবা মীওইশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ক্রিটিকেল এরিয়াশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌবা ঙম্নবগী অনৌবা থৌরাং অমা ওইনা লৈঙাক্কী ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর বুংজাগিন বালতেনা মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট (এম এস টি) পেসেঞ্জর বস সর্ভিসশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অনৌবা রুট অহুমদা চেলহনখ্রে।

এম এস টিগী পেসেঞ্জর বসশিং অসি মীওই ৩১ চনবা বসশিংনি। বসশিং অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লমকাদগী বুকপি, লমকাদগী শঙাইকোট অমসুং লমকাদগী বেহিয়াং ফাওবগী মনুংদা লৈবা অনৌবা রুট অহুমদা পেসেঞ্জরশিংবু পুথোক পুশিন তৌরগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। লোয়ননা ঙসিগী অনৌবা পেসেঞ্জর বস সর্ভিস হৌদোক্তুনা চেলহনখিবা অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্টরনা দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিস (দি টি ও) গী ফীভমসু য়েংশিনখি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা এম এস টিগী পেসেঞ্জর বস সর্ভিস অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা অমসুং অথাপ্পা মফমশিংদা লৈবা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবগীদমক হৌদোকপনি। লৈঙাক অসিবু লুচিংলিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী শিংথানীংঙাই ওইবা লিচিংগী মখাদা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা শিংথানীংঙাই ওইবা অহোংবশিং পুরকহনবা ঙম্বদা নত্তনা মীয়াম্না য়ানীংগদবা ঙসি হৌদোক্লিবা অনৌবা বস সর্ভিস অসিগুম্বা থবকশিংসু পাঙথোক্লগনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিসকী বিল্ডিং অসি নৌনা শেমজিন শাজিনবগা লোয়ননা মতুংদদি দিষ্ট্রিক্ট বস টর্মিনেলদা ওনখৎলগনি হায়খি।

দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিস অসিগী কেম্পসতা অনৌবা বস দিপোটশিং শাবগা লোয়ননা মসিনা থুংলুগদৌরিবা খুঙ্গংশিংদসু বস দিপোটশিং শারগনি। মরম অসিনা মিনিষ্টরনা মরম চাদনা গাড়ীশিং অসিগী দ্রাইভরশিং অমসুং হেন্দিমেনশিংবু ৱাহনবা অমসুং পূক্নিং হলহনবগী থৌওংশিং চথুবীগনু। মখোয়বু মীয়ামগী সর্ভিস তৌবগীদমক নুংশিবীদুনা ইকায়খুম্নবীয়ু হায়খি।

মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা দি টি ও অসি হৌখিবা মতমদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইরদুনা ফঙ্কসনেল ওইখিদবা অদুগী মতাংদা অথুবা মতমদা য়েংশিল্লগনি হায়খি।

ঙসিগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অনৌবা রুট অহুমদা পেসেঞ্জর এম এস টি বস সর্ভিসশিং চেলহনবা হৌবগী থৌরম অসিদা সিংহাট এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ গিনসুৱান হাও জৌ, লৈঙাক্কী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ত্রান্সপোর্ট), পাওলুনথাং বাইফৈ, লোইশঙ অসিগী দিরেক্টর নিভেদিতা লাইরেনলাকপমনা মথংশিৎনা থৌরম অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

লাম্মীনা ঈ পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংসিদা ব্লদ বেঙ্কশিংদা ঈ পীবা দোনরশিং ৱাৎপগী মায়োক্নরিবা ফীভম অসিদগী ইন্দিয়ন আর্মিনা লায়ন্স ক্লব ওফ ব্রহ্মপুত্র ভেল্লি অমসুং অসাম মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল (এ এম সী ঐচ) গা খূৎশম্নদুনা ঙসি দ্রিবুগরদা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি। প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি আই বি), দিফেন্স ৱিংনা থোরকখিবা চেরোল অমদা ঙসিগী ঈ পীবগী কেম্প অসিদা ইন্দিয়ন আর্মিগী পর্সনেল ১৫০না শরুক য়াদুনা মখোয়গী ঈ পীখি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): শম্ফাবি মেমোরিএল ক্লব-খোংজোম ময়ায় লৈকায়গী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা হিজম খম্বনা থা অসিগী ৩দা অমদি হৌজিক হৌজিক প্রসিদেন্টকী থৌ পুবিরম্বা সাপম নিংথেম্বীনা থা অসিগী ৬তা খঙহৌদনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা ঙসি ক্লব অসিগী সেক্রেটরি লোখোননা লুচিংদুনা ক্লবকী শঙলেন্দা মিনট অনী তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবা অনীগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মীয়াম্না থৌনিখিবগা লোয়ননা মখোয় অনীনা ক্লব অসিগী য়াইফনবা হোৎনবিরম্বা কয়াবুসু শিংথাখি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mutation Case No. 308/SDC/M dt. 7/12/2020

Ningombam Radhapriyari Devi W/o Tommi Singh of Airport Mamang Konjeng Leikai.

-Vrs-

Late Ningombam (o) Memcha Devi W/o Late Premkumar Singh of Moirang Thana Leikai.

NOTICE

Moirang, the 7th Dec., 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫৩-মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ৫৩/৪১৮৭ সী এস দাগকী নং ১৫০৬/১১০৫৫ এরিয়া ০.৩২ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারি অসিদা মিং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-B/6593/8 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector,** Moirang

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mutation Case No. 310/SDC/M dt. 7/12/2020

1. Maibam Bikram Singh S/o (L) M. Mangi Singh of Moirang Khunou Makha Leikai. (0.31 acres south)
2. Laishram Yaimachou Meitei S/o (L) L. Mani Meitei of -do- (0.17 acres)
3. Laishram Ibomcha Singh S/o (L) L. Mani Singh of -do- (0.13 acres)
4. Laishram Sunibala Devi W/o (L) L. Lukhoi Singh of -do- (0.13 acres)

-Vrs-

1. Late Thokchom Gourachand Singh S/o (L) Mukta Singh of Moirang Khunou.
2. Late Laishram Mani Singh S/o (L) L. Thambal Singh of Moirang Khunou.

NOTICE

Moirang, the 7th Dec., 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। খুল নং ৫৪-খা থীনুঙ্গৈদা লৈবা পাট্টা নং ৩৭৬ অনৌবা সী এস দাগকী নং ৩১৪৯ এরিয়া ০.৭৪ একর চাওবা ইংখোল অসিগী কো-পাট্টাদার ১ অমসুং ২ অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা কো-পাট্টাদারশিংগী ইমুং-মনুং মচাশিংনা লম অসিগী মিং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-B/6593/8 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector,** Moirang

GOVERNMENT OF MANIPUR
EMPLOYMENT EXCHANGE, IMPHAL WEST,
EMPLOYMENT EXCHANGE COMPLEX, LAMPHELPAT.

NOTICE
Imphal, the 7th December, 2020

No. EE/2/57/82: It is hereby notified to all Job-seekers that the following posts are lying vacant on contract basis in the State Institute of Rural Development, Manipur, Imphal. Willing eligible candidates who have registered with this Employment Exchange may contact Vacancy Assistant on 8th December, 2020 to 14th December, 2020 of this office at Room No 15 (A) during office hour for sponsoring their names.

The detail particulars are given below:--

Sl. No	Name of Department	Name of post	Number of posts.	Essential qualification.
1.	2.	3.	4	5.
1.	State Institute of Rural Development	Lecturer (Health & Nutrition)	1(one)-UR.	M.Sc/M.Phil in Food & Nutrition/Public Health Nutrition or equivalent degree with at least 55./. marks.
2.	-do-	Lecturer (Geography)	1(one)-UR	M.A/M.Phil in Geography with at least 55./. Marks.
3.	-do-	Lecturer (Political Science)	1(one)-UR	M.A./M.Phil in Political Science with at least 55 ./. marks.
4.	-do-	Lecturer (MBA)	2(two)-UR	MBA(Preferably in Rural Management) with at least 55 ./. marks
5.	-do-	Lecturer (Rural Development)	2(two)-UR	M.A/M.Sc in any discipline with at least 55 ./. marks & Post Graduate Diploma in Rural Dev.
6.	--do-	Section Officer (Civil)	36(thirty six), (20-UR;11-ST,4-OBC,1-OBC(MP)	Diploma/B.E (Civil Engineer)
7.	-do-	Office Assistant-cum-Computer Operator	36(thirty six), (20-UR,11-ST,4-OBC,1-OBC(MP).	Graduate with 6 months Computer Course.
8.	-do-	L.D.C/ Office Assistant.	2 (two)- UR	Graduate in any discipline.

Age -Min 18 yrs. Max 38 years, 5 Yrs Relaxation for ST/SC candidates and 3 years for OBC .

Sd/- KH. SHYAMKISHORE SINGH
Employment Officer, Imphal west.

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6508/06/11-05/12

CROSSWORD-3640



ACROSS

1 Young lions, etc. (4)
3 Age of majority (8)
9 Large mug-like vessel (7)
10 Distressed (5)
11 Annoyed (5)
12 Scandinavian country (6)
14 Government employees (5,8)
17 For ever (6)
19 Desert plants (5)
22 Angry (5)
23 Bunch of flowers (7)
24 Extend (8)
25 Peruse (4)

DOWN

1 At a reduced rate (3-5)
2 Trite (5)
4 Absolutely necessary (13)
5 Residence (5)
6 Oriental (7)
7 After deductions (4)
8 Wanton destroyer (6)
13 Helped (8)
15 Scoundrel (7)
16 Empty space (6)
18 Representative (5)
20 Unrefined (5)
21 Cash register (4)

Solution 3639



SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3439

			6				8	
	5						1	7
	1	4			9			6
		1	7		3		4	
5				9				2
	4		5		2	8		
1			9			4	3	
4	2						5	
	7				5			

Solution-3438

6	4	2	8	3	9	7	5	1
9	1	7	4	5	6	3	8	2
8	5	3	1	7	2	4	6	9
1	9	8	3	2	7	6	4	5
7	6	5	9	8	4	1	2	3
3	2	4	6	1	5	9	7	8
2	7	6	5	9	1	8	3	4
5	3	9	7	4	8	2	1	6
4	8	1	2	6	3	5	9	7

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

লময়ানবা ইরাবত

ৱারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম


নোংমা ইরাবতনা লৈবা য়ুম অমদা সিফাইশিংনা কোইশিল্লরুস্মী।
সিফাইশিংদুনা থোঙ থুগাইদুনা ইমুংদা চঙলক্রুস্মী।
ইরাবতনা মনিংলোমদা ফাওদোক্তুনা চেনখিরস্মী।